# আই এস আই এসনা কাবুলদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটালদা এটেক চত্থদুনা মীওই ১৯ হাৎখ্রে, ৫০ হেন্না শোকহনখ্রে



কাবুল, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটাল অমদা আই এস আই এসনা এটেক চত্থদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ হাৎখ্রে অদুগা ৫০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না টালিবানগী ৱাঙাংলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা অতম্নবা টার্গেট তৌরগা এটেক চত্থরকখিবগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মীশি মীনা য়াওবা এটেক অদু চত্থরকখ্রবা মতুং আই এস আই এসতা এফিলিয়েট তৌবা ইস্লামিক ষ্টেট-খোরাসাননা এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বর মঙানা বোম অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক অদু চত্থখিবনি হায়না টেলেগ্রাম চেনেলদা থাগৎলকখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাংলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদু হোস্পিটালদা লৈবা ডোক্টর, নর্স, পেসেন্টশিং অমদি মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংদা টার্গেট তৌরগা চত্থখিবনি। মফম অদুদা এটেক চত্থরে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা য়াম্না থুনা টালিবান ফাইটরশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ইরাং অদুবু কন্ট্রোল তৌখি। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবা টালিবান ফাইটরশিংনা হোস্পিটাল অদুগী অকোয়বদা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

এটেক অদু ফজনা ট্রেন তৌরবা ফাইটরশিংনা চত্থখিবা ওইরম্বা য়াই। স্যুসাইদ বোম্বর অমনা অহানবদা হোস্পিটাল অদুগী মেইন গেটতা মশা মতোমতা পোকখায়হনখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা অফবা মখলগী খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা হোস্পিটাল মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপ্পগী থবক চত্থখিবনি। টালিবান ফাইটরশিংনা মফম অদুদা হেক য়ৌবগা মীওই খরগী অশিবা হকচাং লৈমায়দা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। এটেক অদুদা পুন্না মীওই ১৯ শিখিবগা লোয়ননা ৫০ হেন্না শোকখি। অশোকপশিং অদু ট্রিটমেন্ট চত্থবা হৌখ্রে। মখোয়গী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অদুদা শিখ্রবশিংগী মনুংদা টালিবান ফাইটর ২, নুপী ২ অমসুং চহী নৌরিবা অঙাং অমা য়াওরি। এটেক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা ফাগনি অমদি মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীগনি। মীয়াম তিনবা মফমদা অসিগুম্বা থৌওং চত্থরিবা মীওই অসি টালিবানগী ওইনদি খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবনি। মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা লমন খুমগনি। এটেক অদুগী মতুং টালিবানগী অখন্নবা টিম অমনা থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

অমরোমদা টালিবান লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, হোস্পিটালদা চত্থরকখিবা এটেক অদুদা শিখ্রবশিংগী মনুংদা টালিবানগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা য়াওরি। এটেক অদুদা লৈখিদ্রবা হামদুলাহ মোখালিস হকানি নেটৱার্ককী হার্দলাইনর অমনি। মহাক বাদ্রি কোর্পস স্পেসল ফোর্সকী ওফিসর অমসু ওইরি। মহাক লৈখিদবা অসি অচৌবা মাঙজবা অমনি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদা অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা গভর্নমেন্ট অদুবু মায়থিবা পীরবা মতুং টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং গ্রুপ অসিগী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবা ওইরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মেম্বরশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চত্থবগী থৌওংশিং চত্থরক্লি।

# য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্ট দেলিগেসন টিম টাইৱানদা থুংখ্রে



টাইপৈ, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

টাইৱানগী মতাংদা চাইনাগা চয়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈ মরক অসিদা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্ট দেলিগেসন টিম অমা ঙসি টাইৱানদা থুংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা টাইৱানবু মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা শকখঙবগী চাংসু হেনগৎলক্লি।

মরোমদোম লৈজরিবা ইথৎ লৈবাক অসি চাইনানা মখোয়গী ঙমখৈগী শরুক্লি হায়না চহী কয়াগী মমাংদগী ক্লেইম তৌদুনা লাক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা টাইৱান অমসুং চাইনাগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চাইনানা ইথৎ লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক লান্না চঙশিন্দুনা মিলিটরি দ্রিল ফাওবা পাঙথোক্লি। টাইৱানবু মখোয়গী মখাদা থম্বা হায়বসি চাইনাগী অপাম্বনি। মসিনা মরম ওইরগা থেঙ্খাং কয়ারক্তা চাইনানা টাইৱানগী থবক থৌরম কয়াদা অয়েৎপা পীদুনা লাক্লি।

নাকল অনীগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঙৈ মরক অসিদা মীওই ৭ না শাবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্ট দেলিগেসন টিম অদু থুংলখিবনি। নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা টাইৱানদা থুংলখিবা দেলিগেসন টিম অসি ফ্রেন্সকী এম ই পি রাফেল গ্লক্সমেননা লুচিংলি। দেলিগেসন টিম অসিনা হয়েং টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগা উন্নগনি।

অমরোমদা ইথৎ লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী দেলিগেসন টিম অমনা ইথৎ লৈবাক অসিদা ভিজিট তৌরকখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। ৱাখল্লোন মান্নবা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগা চৎমিন্নবা হায়বসি টাইৱানগীসু অপাম্বনি। দেলিগেসন টিম অসিগা মরুওইনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অমদি রুল ওফ লোগী মতাংদা খন্নগনি। মসিদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক চাইনানা লৈবাক অসিদা চত্থরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসিগী মতাংদসু খন্নগনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পর্মনেন্ট মেম্বর অমা ওইনবা হোৎনবদা য়ুরোপিয়ন কন্ট্রিশিংগী মতেং মথৌ য়াম্না তারি। টাইৱাননা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবদা ৱাখল মান্নবা লৈবাকশিংগা চৎমন্নিগনি।

# টর্কিনা সেন্ত্রেল বেঙ্ককী দিপ্যুটি গভর্ণর অমসু মফম লৌথোকখ্রে

অনকারা, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িপ এর্দোগানা লৈবাক অদুগী সেন্ত্রেল বেঙ্ককী গভর্ণর থা তরুকলোমগী মমাংদা মফম লৌথোকখ্রবা মতুং ঙসিসু সেন্ত্রেল বেঙ্ককী দিপ্যুটি গভর্ণর অমা থবক্তগী মফম লৌথোকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হান্নগী দিপ্যুটি গভর্ণর ওগুঝান ওজবাজপু থবক্তগী লৌথোল্লবা মতুং মহাক্কী মহুত্তা সেমি তমেনবু দিপ্যুটি গভর্ণর ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে। নৌনা সেন্ত্রেল বেঙ্ককী দিপ্যুটি গভর্ণর ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা তমেং হৌজিক হৌজিক এর্দোগানগী এদভাইজর ওইনা লৈরি। অমদি অনকারা টি ঈ দি য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টতা হেদ ওইনা থবকসু পুরি। মহাক সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ টর্কিদা হৌখিবা কুমজা ২০০২ দগী হৌরগা ২০১৮ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট কয়াদা থবক তৌরম্লবা মীওই অমনি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা প্রসিদেন্ট এর্দোগাননা সেন্ত্রেল বেঙ্ককী হান্নগী চীফ নাকি অগবলবু থবক্তগী মফম লৌথোকখিবনি। অগবল সেন্ত্রেল বেঙ্ককী গভর্ণরগী ফমদগী লৌথোকখিবা মতমদা লৈবাক মনুংদা অচৌবা চরাংনবশিং থোকখি। মরমদি সেন্ত্রেল বেঙ্ক ওফ টর্কিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা থবক্তগী মফম লৌথোকখ্রবা অগবলনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি।

অমরোমদা থবক্তগী মফম লৌথোকখ্রবা অগবলনা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্টনা মহাকপু সেন্ত্রেল বেঙ্ককী গভর্ণর ফমদগী লৌথোকপদা অকায়বা লৈতে। মহাক মশা অহল ওইরে অমদি থবক অসিদগী পোথাগে হায়না খল্লকপসু কুইরে অদুবু ঙসি খঙহৌদনা দিপ্যুটি গভর্ণর ওজবাজবু থবক্তগী মফম লৌথোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি চিংনিনিংঙাই ওই। প্রসিদেন্ট ওর্দোগারনা সেন্ত্রেল বেঙ্ককী মরু ওইবা পোষ্ট পায়রম্বা মীওই কয়া থবক্তগী লৌথোল্লবা মতুং মহাক্তা নক্লবা মীওই কয়া হাপচিল্লক্লিবা অসি মনুংদা অরোনবা এজেন্দা লৈরম্বা য়াই হায়রি।

## ফার্মিং অমসুং ফুদ কঞ্জ্যুমসনদা অহোংবশিং পুরকপা পাল্লি



স্বিদেন, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা ক্লাইমেট সম্মিট অদুদা শরুক য়ারিবা লৈবাক লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা থবক ওইনা ওন্থোক্কদবা ফিরেপ লৌনবা চহী নৌরিবী ক্লাইমেট এক্তিভিষ্ট গ্রেটা থনবর্গনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা, মমাং মতমদা ৱারেপ লৌরগা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমখিদবা অদুগুম্না হন্দক্কী অসিসু ওইরবদি মীফম অসি পাঙথোকপগী মথৌ তাদে হায়রি।

থবক্তা ওন্থোক্লোইদবা ফিরেপ লৌবগী মহুত্তা কার্বোন ইম্মিসনগী ৱাফম অসি খন্নবদা মতম খরা চঙখিগনি হায়না পুকচেল শেংনা হায়দোকপনা অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না থনবর্গনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা চহী নৌরিবী ক্লাইমেট এক্তিভিষ্ট গ্রেটা থনবর্গনা ফুদ প্রদক্সন অমসুং কঞ্জ্যুমসনগী মতাংদা অহোংবশিং পুরক্তুনা হেন্না ফগদবা মওংদা ফার্মিংগী থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

চহী নৌরিবী এক্তিভিষ্ট অসিনা ফোঙদোকখিবদা মালেমদা অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা লৈবাক খরদা ঈচাও থোকপা অদুগা লৈবাক খরদনা ঈকং থোকপগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা মহৈ মরোং লোকপা য়াদবদগী মীওই মিল্লিয়ন কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি।

অসিগুম্বা লুরবা ফীভম অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীরকপদগী খম থেংনা ৱানরে। মরম অদুনা ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংনা ফার্মিং মেথোদশিং হোংদোকপগী মতম ওইরে। ঈকং থোকপা মফমশিংদা থাবা য়াবা মহৈ মরোংশিং খন্দোক্তুনা থম্বা মথৌ তারে। অমদি ঈশিং মনুংদা মপুং ফানা হৌবা ঙম্বা চাবা য়াবা পাম্বীশিংসু খঙদোক্তুনা লিবগী মতম ওইরে।

মালেমদা লৈরিবা অফাওবা সাইন্টিষ্টশিংনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলবদি ফার্ম তৌবদা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্নসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অদুবু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী থবক থৌরমশিং মপুং ফাবা ঙমদনা লৈরি। মালেমদা লৈরিবা মীয়াম্নসু কায়থরক্লিবা অঙৈং অশাগী খল অসি ঙাক্লবা হোৎনবগী মতম ওইরে। পোলিটিসিয়ানশিং খক্তদা ইন্থোকপনা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্লোই হায়রি।

# মিলিটরি কূনা মরম ওইরগা অৱাংবা থাক্তা মহৈ তম্লিংবা কয়া নীংবা কায়দুনা লৈরে



য়াঙোন, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

ম্যান্মারদা লৈরিবা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয় কয়ানা অতোপ্পা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা চত্তুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা পাল্লি। অদুবু লৈবাক অসিদা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী মিলিটরিনা কূ তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং নহা কয়ানা অৱাংবা থাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা চত্তুনা মহৈ তম্বা ফংদবগী নীংবা কায়দুনা লৈনরি।

মিলিটরি জুন্তা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদগী অতোপ্পা লৈবাক্তা লৈবা অফবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা চত্তুনা মহৈ তম্নবগী প্রোসেস তৌবা লেপখ্রে। অতোপ্পা লৈবাক্কী য়ুনিভর্সিটিদা তম্নবগী খল্লকখ্রবা মহৈরোয় কয়া লৈবাক ইরাংনা মরম ওইরগা মথৌ তাবা দোকুমেন্টশিং ফংদবদগী নীংবা কায়না লৈনরি। লৈরিবা মিলিটরি লৈঙাক অসিনা মীয়াম্বু নমথনবা হোৎনদুনা থবক তৌরি। এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মহৈরোয় কয়া অরেম্বদা তাদুনা লৈরি। মসি য়াম্নমক লাইবক থিবনি হায়না দেবোরা কৌবী মহৈরোয় নুপী অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা তম্নবগীদমক মহাক খল্লকখ্রে। অদুবু লৈবাক্কী ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা য়ু এসতা লৈদুনা মহৈ তম্বদা চংগদবা দোক্যুমেন্টশিং মতম চানা ফংবা ঙমদবদগী এদমিসনগী মতম হেন্দোকখ্রে হায়রি।

## থাজবা পীদ্রবদি ন্যুক্লিয়র টোক মায় পাকপা ঙম্লোই

টেহরান, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অসি অমুক হন্না রিভাইব তৌহন্দুনা মায় পাকহনগে হায়রবদি য়ু এসনা পেক অসিদগী অমুক হন্না তোক্লোই হায়বগী থাজবা পীগদবনি। নৎত্রবদি ন্যুক্লিয়র দিল অসি কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়না ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি। ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসতা হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা দোনাল্ড ট্রম্পনা পেক অসিদগী তোক্তুনা টেহরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকপদগী দিল অসি কায়খিবনি। মরম অদুনা পেক অসিদগী তোক্লোই হায়না য়ু এসনা হান্না থাজবা পীগদবনি হায়রি।

## টেররিষ্টকী থৌওংদগী ঙাকথোক্লবা ইথিওপিয়াদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে

অদিস অবাবা, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কী ফাইটরশিংনা ইথিওপিয়াগী কোনুং অদিস অবাবা তম্না চঙশিন্নবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং ইথিওপিয়া কেবিনেটনা লৈবাক পুম্বদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা অদিস অবাবাদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না সিটি অদু ঙাক শেন্নবগীদমক মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা জষ্টিস মিনিষ্টর গেদিওন টিমোথিৱোসনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্না ইথিওপিয়া পুম্বদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রিবা অদু লৈবাক অসিগী মীয়ামগী সিক্যুরিটিগী য়েংলগনি। টেররিষ্ট গ্রুপ টি পি এল এফকী ফাইটরশিংনা কোনুং অবাবা তম্না চঙশিল্লক্লবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংলবা মতুং চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবনি। টেররিষ্ট গ্রুপ অসিগা ফেদরেল গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা চহী অমরোম হেন্না খুৎ থোক্নদুনা লাক্লি। মালেমদা লাননা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইথিওপিয়াসু অমা ওইরি।

পনবা য়াবদি ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা মমাং চহী নভেম্বর থাদা অহেনবা ট্রুপ কয়া টিগ্রে রিজনদা থাজিন্দুনা গ্রুপ অসিবু তকথোক্লবা হোৎনখিবনি। অদুবু চহী অসিগী জুন থাদা টিগ্রেয়ান ফাইটরশিং অমুক হন্না পুনশিন্দুনা রিজন অসিগী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌবা হৌরকখিবনি। অমরোমদা টি পি এল এফনা মিলিটরি কেম্পেনগী থবক পাকথোক চাওথোরক্লিবা অদু য়ু এসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# সুদানদা মীয়াম অমদি মিলিটরিগী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অমা শেম্লগনি : রিপোর্ট

খারটোম, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

মমাং চয়োলদা সুদান মিলিটরিনা কূ তৌদুনা হান্না লৈরম্বা অপুনবা লৈঙাক ইন্থুখ্রবা মতুং মিলিটরিগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। মসিদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা সুদান মিলিটিরিদা অকনবা প্রেসরশিং লেপ্পা লৈতনা পীখ্রবা মতুং মীয়ামগী মীহুৎ অমদি মিলিটরিগী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অমা অমুক লৈহন্নবা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

সুদান মিলিটরিগী লুচিংবা অবদেল ফটা অল-বুরহান অমদি মফমদগী লৌথোকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর অবদালা হামদোক অমসুং হান্নগী রেবেল গ্রুপশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা মীয়ামগী মীহুৎ য়াওবা লৈঙাক অমা শেম্লবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়রি।

খারটোমদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মীহুৎ অমনা ফোঙদোকখিবদা মিলিটরি লুচিংবশিং অমদি মীয়ামগী মীহুৎশিং ৱারী শাবা হৌখিবা অসি থাগৎনিঙাই ওই। অদুবু ৱারী শান্নরিবা অদুগী মতাংদা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা হায়বদি লুরি। লৈবাক অদুদা অমুক হন্না মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহনবদা মিলিটরিনা করি করম্বা ৱাফম থল্লক্কদগে হায়বা খঙদ্রি হায়রি।

অমরোমদা সুদান মিলিটরিগী হান্নগী চীফ ইমাদ অদাৱীনা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নরিবা অদু মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অফ্রিকান কন্ট্রিশিং য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা সুদানদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক লৈহনবা পাল্লি। মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না হৌজিক মিলিটরিগী লুচিংবা ওইরিবা অবদেলনা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীয়াম্না পুক্লিং ফাথনা লৈসি হায়রি।

# মশা ঙাকথোকচনবগীদমক য়ু এসনা ইজরেলদা লালগী খূৎলাইশিং মতেং পীবনি

ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবা থোক্লিঙৈদা গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলনা নুমিৎ ১০ নিরোম লেপ্তুনা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থখিবগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখি। মদুগী মতুং নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রে। সিজ ফায়র হেক লাকখিবগা মালেমগী লৈবাকশিংদা মরু ওইনা য়ু এসতা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেলদা খূৎশু খূৎলাইশিং সপ্লাই তৌদনবা দিমান্দ কয়া তৌখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসনা ইজরেলদা খূৎলাই সপ্লাই তৌরিবা অদু মখোয় মশা ঙাকথোকচনবনি হায়খি।

ব্লিনকননা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী ইজরেল অমসুং য়ু এসকগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা লাক্লি। ইজরেলগী দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা য়ু এসনা হান্নদগী হৌনা মতেং পাংদুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু পাংখিগনি।

ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌওংশিংদা ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা এয়র ষ্ট্রাইক চত্থখিবা অদু মখোয়গী ৱাখল্লোননি। মদুদা য়ু এসনা মতেং পাংখিবা লৈতে। মালেমগী লৈবাকশিংনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপ্পা পাম্বগুম য়ু এসনসু পাম্মী অমদি ইজরেলদা খূৎ থোক্লবা লেপ্লবা য়ু এসকী মায়কৈদগী তকশিন্দুনা লাকখি। অদুমওইনমক খূৎশু খূৎলাই সপ্লাই তৌবগা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগা মরী লৈনদে হায়রি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION
MANIPUR

/ NOTIFICATION

Imphal, the 2nd Novermber, 2021.

No.1/2/92-HSC(Vol-V)(Pt.): In continuation of this office Notification of even number dated 8/3/2021, 22/9/2021 and 11/10/2021, it is hereby notified for general information to all the eligible candidates for appointment of different categories of posts of the Council of Higher Secondary Education, Manipur as well as the Special Recruitment only for ST candidates that the Written Examination which was scheduled to be held on 07/11/2021 is deferred to 21/11/2021(Sunday) due to unavoidable circumstances.

The time and venue of the Written Examination notified earlier shall remain unchanged.

Sd/- A. SUKUMAR SINGH
Controller of Examinations/ Co-ordinator
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/7267/4,5

ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)

KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson

Complete discussion of exam-related questions

Free supply of printed questions and answers

Weekly exam-oriented tests.

Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM

PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-2/12

KRISHI VIGYAN KENDRA

Bishnupur District, Utlou, P.O. Nambol, Manipur-795134

Applications are invited from eligible candidates for the following post of Krishi Vigyan Kendra, Bishnupur District, Utlou, Manipur.

| Sl. No. | Name of post | Nos. of post | Essential Qualification | Desirable |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Subject Matter Specialist (Soil Science) **Scale of pay** (Pre revised) PB-3 Rs. 15600-39100 + Rs. 5400 GP | 1(one) | M. Sc. (Agri.) in Soil Sciences. | i) At least two years' experience in a reputed Soil Lab/Research /Extension ii) Knowledge of Manipuri language. iii) Knowledge of computer application. |

General instructions:

1. Age limit as on date of closing is 35 years (maximum) & relaxable as per rules.
2. Short listed candidates only shall be called for physical interview.
3. Applications received late and found incomplete will not be considered.
4. Application forms can be had from the office of KVK Bishnupur, Manipur.
5. Filled in application forms should be submitted to the office of the KVK Bishnupur, Utlou within 25 days from the date of advertisement with a recent passport photograph, self attested relevant certificates, mobile no., email ID, Aadhaar card etc. along with a self-addressed envelope and a Demand Draft of Rs.1000/- drawn in favour of the Chairman, Utlou Joint-Farming-cum-Pisciculture Co-operative Society Ltd., Utlou, P.O. Nambol, B.P.O. Utlou, Manipur, Pin-795 134, which is not refundable.
6. Interview schedule will be notified to the eligible candidates later on.

Sd/- Chairman,
KVK-Bishnupur District, Utlou,
P.O. Nambol, Manipur

HL-P/0562/4

Board of Secondary Education, Manipur

/ NOTIFICATION

Imphal, the 3rd November, 2021

No: G/13(Vol-VII)/2021(DR) In continuation of this office notification of even no. dated the 30th October, 2021, it is notified for information of all concerned that Admit Cards for the post of Section Officer, Accountant, LDA/Data Assistant, Grade – IV (Peon) & Grade – IV (Sweeper) can be downloaded from the website www.bosemrecruitment.in .

**The written test examination for the post of A.S.O.(Assistant Programmer) is postponed until further order as no suitable candidates are found.**

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh
Secretary

HL-P/0567/4